মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর থাদা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎকা মরী লৈননা য়ু সী এমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱান দে দিসকোর্স ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটিগী থৌরম

ONE DAY DISCOURSE ON MANIPUR INT
In Connection with October Mass Rally
On 31st of October 2021
At Meipa Banquet Hall, Palace Compound
by : United Committee Man

ৰাঙ্গৈইগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা নৌনা শাখিবা ৩১/১১ কে ভি সব-ষ্টেসনশিং মণিপুর লৈঙাক্কী পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা শঙ্গাখিবা

ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসগী ১০২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা শিন্নীশিংগী রাইট কনবা নুমীৎ থৌরমদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ৱা ঙাংবা

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধীগী ৩৭শুবা দেথ এনিভর্সরি অমসুং সর্দার ভল্লভভাই পটেলগী ১৪৬শুবা বার্থ এনিভর্সরিগী থৌরমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা

Smt. Indira Gandhi
Former Prime Minister of India
MANIPUR PRADESH CONGRESS COMMITTEE

চাক্লৌবা নংনবা ওর্নরেরিয়ম পীথোকপীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা খ্বাইদগী চাউবা মবুং-মৌপ্বা, মচে-মচল, মমা-মপা অমসুং মচানুপীশিংগী খ্বাইদগী নুংশিনবা পুরকপা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা থোকচবা নিঙোল চাক্লৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা মণিপুরদা লৈরিবা মিদ দে মিলগী কুকশিংগী পন দুনা লৈরিবা থা ১১গী ওর্নরেরিয়ম চাক্লৌবা নংনবা পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা খূদিংমক্তা মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন্না আপীল তৌজরি। হৌখিবা কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর থা মতুংদগী ঙসি ফাওবা ওর্নরেরিয়ম পীথোক্তনা লৈরিবনি। মরম অসিনা মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা কুম্মৈ অসি মপুং ফানা য়াওজবা ফংননবা ওর্নরেরিয়ম পীথোক্লুবা শীনবীয়ু হায়না মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্ট্রাইক সস্পেন্দ তৌরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): এল দি এগী ৱার্করস অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংনা সেভেন্থ পে ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী হৌখিবা ওক্টোবর ২৯দগী হৌদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্লগা চথরকখিবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অদু ওক্টোবর ৩০গী নুংথিলদা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টরগা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা অমা পুরকপদগী মতম খরগী ওইনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি সস্পেন্দ তৌরে হায়না এল দি এল ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পি শ্যামকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মনি তায়েনজমনা ইবা এৱার্দৱান লাখ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙৰাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙখ্রে। পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা সোসল ৰেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন জি উত্তম, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং অমদি পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী পেত্রোন মেম্বর কোঞ্জেংবম দিলিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিনা নীং-খা তম্বা চহী ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অমৃত মহোটসব, পান ইন্দিয়া এৱ্যের্নেস এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা লিগেল এইদ ক্লিনিক্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম/ৱেবিনার অমা জিটসি মীট এপ্লিকেসনগী খুত্থাংদা পাঙথোকখ্রে। ইস্যুজ ফেস বাই দি সিনিয়র সিটিজন্স এন্দ দিয়ার লিগেল রাইটস হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ৱেবিনার অদুদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ এ শান্তনা নুংগী ওইবা ৱারোল থমখি। থৌরমদুদা শুগুনু লিগেল এইদ ক্লিনিক্না কোনবা মফমশিংদা লৈবা সিনিয়র সিটিজনশিং অমদি দি এল এস এ থৌবালগী মখাদা লৈবা পি এল ভিশিংসু শরুক য়াখি হায়না দি এল এস এ থৌবালগী চ্যেরপর্সন বিনি ঙাঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোষ্টর কন্টেষ্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ৱি আর ওল কন্নেক্টেদ হায়বা থীমদা পোষ্টর কন্টেষ্ট অমা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। কন্টেষ্ট অসিদা নির্মলাবাস হায় স্কুলগী তানিয়া ওইনামনা অহানবা অমসুং কেন্দ্র বিদ্যালয়া লম্ফেলগী লৈশাংথেম রুপনা অনীশুবা পোজিসন তাখি হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি লায়ন এল ইন্দুনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা কোভিদকী অহুমশুবা ৰেভ থেংননবা শেম শারে হায়রিবসি থবক ওইনা উহনবীয়ু : মিরাবাই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অহানবা ৰেভ লাক্লবা মতুংদা লমদমসিদা লৈরিবা অনা-লায়েংশঙশিংদা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা শেমগৎহৌদবনা অনীশুবা ৰেভতা মীয়াম্না অঙকপা ফংনা অৰাবা মায়োক্লখি। হৌজিক অমুক অহুমশুবা ৰেভ লাক্কনি হায়বগী মীপায়বা লৈরি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা কোভিদকী অহুমশুবা ৰেভ থেংননবা শেম-শারে হায়রিবসি থবক ওইনা মীয়ামদা উহনবীয়ু হায়না পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

MLA Patsoi AC, Taobungkhok
me: 8:30 am.

পাৎশোই এ সীগী ওইনা তাকয়েলদা লৈবা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিং (এস এ টি) অমদি সঙাইপ্রৌদা লৈবা সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদোকখিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অনী লোইশিনবগী ঙসি তবুংখোক্তা এম এল এগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৰেভনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেংশিং অসি ঙসিসু মীৎমাংদা উরি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মমা-মপা, মচে-মচল, মচিল-মনাও অমদি শাগৈ-নাতৈ কয়া শেৎন-খায়নখিবগী অৰাবা কয়া হৌজিকসু কোক্ত্রি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৰেভ লাক্লগনি খঙনা খঙনা লৈঙাক্লা মতম চানা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎহৌদবা অমদি থৌশাদনা লৈথোক্লুবনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অহানবা ৰেভতগী অনীশুবা ৰেভতনা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লখিবনি হায়বা য়াই। কোভিদকী অনীশুবা ৰেভনা অচৌবা চৈথেং পীরক্লবা মতমদা ষ্টেট অসিগী হোস্পিটালশিংদা আই সী য়ুগী ফমুং মরাং কায়না লৈতবদগী ফংনখিদবা, ওক্সিজেন ফংখিদবা, ডোক্তর অমদি নর্স মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অকিবা ফংনা অৰাবা অমদি খুদোংচাদবা থেংনখিবনি। জেনিমসতা আই সী য়ু কয়া হাপচিল্লে হায়রবসু মথৌ তৌদবা অমদি লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা লৈতবদগী মীওই কয়াগী পুন্সি পীখম্নহনখি। অসিগুম্বা মথৌ অসি কোভিদকী অহুমশুবা ৰেভ লাকপা মতমদা থোকহন্দনবগীদমক লৈঙাক্লা মতম চানা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৰাৎপা লৈরিবশিং অসি মেনখৎপীয়ু।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মীওইবগী হকচাং শোকহনবদা নত্তনা মীপুম খূদিংমক্তসু ৱাখল লায়না নাহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা লোকদাউন মতম শাংনা থমখিবনা মীওই কয়া শুফম নোম্ফম লৈরক্তবদগী ইস্যু কয়া থোক্লকপগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক চপ মান্ননা অৰাবা নংহনখি হায়বা য়াই। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মতৌ করম্না মীয়ামগী পুন্সি কনগদগে খনবদা অহিং তুমদনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। ঙসিদগীদি লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লনবা ঐখোয় খূদিংমক্না অচেৎপা ৱাশক লৌমিন্নরসি। মীখলগী ৱাফম কাউথোক্লগা মতৌ করম্না কোভিদকী অহুমশুবা ৰেভ অসি থেংনগদগে হায়বগী ৱাখলদা হৌজিকসু মীহুৎ অমা ওইনা ৱাদবা ঙমদে। মীয়াম্না অৰাবা মায়োক্লরকপা মীকুপ্তদি অঙম-অঙম্বা থাক্তা ঐগী মাগী হায়বা ৱাখল অসি থাদোক্তুনা মীয়ামগীদমক থেংনগদবনি। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা হেল্থ ৱার্করশিং, ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং অমদি মরী লৈনবা খূদিংমক্না লৌখিবা থৌদাংশিং অদু থাগৎলি। মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লবসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা মখা তানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নখিসি হায়নসু এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা তাকয়েল জিলা পরিষদকী মেম্বর এন জি বিমোলা, চঙাঙ্গৈ জিলা পরিষদকী মেম্বর সিনাম মারজিৎ, চঙাঙ্গৈ জি পিগী প্রধান এল রোমা লৈমা, সাপম লৈকায় জি পিগী প্রধান এল বিশ্বর্জিৎ, থৌনাওজম লৈকায় জি পিগী প্রধান এল রতন, পাৎশোই এ সীগী এদভাইজরি কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম পুর্নো অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী ওইনা হাংদোকখিবা সী ঐচ আই সী অনীদা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা হেল্থ ৱার্করশিং, ভলন্টিয়রশিং অমদি মতেং পাংলকখিবা খূদিংমক্তা অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

শিন্নীশিংগী রাইট কনবা নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): এ আই টি য়ু সীগী ১০২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা শিন্নীশিংগী রাইট কনবা নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস লিংখৎখিবা চহী ১০২ শুরকপগা মরী লৈননা এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা শিন্নীশিংগী রাইট কনবা নুমীৎ থৌরম ঙসি ইরাবত ভবনদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সেক্রেটরি কে ঐচ ব্রোজেন্দ্রো, ওল মণিপুর সোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্ট ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস ইবোমচা, ওল ইন্দিয়া রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস মংলেম অমদি মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এ আই টি য়ু সী হায়রিবা খ্বাইদগী লীরবা ট্রেদ য়ুনিয়ন অসি ইন্দিয়ানা নীং-খা তমদ্রিঙৈ মমাঙ কুমজা ১৯২০গী ওক্টোবর ৩১দা শেমখিবা শিন্নীশিংগী য়ুনিয়ননি। য়ুনিয়ন অসিনা ইন্দিয়াবু নীং-খা তম্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাউনা লান্থেংনখিবা শিন্নী কাঙলুপনি। য়ুনিয়ন অসিনা ঙসি ফাওবদা হনবা লৈতনা শিন্নী মীয়ামগী রাইটকীদমক লান্থেংনদুনা লাক্লি। মতুংদসু শিন্নী মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গল শাগৎতুনা লান্থেংনখিগনি। এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা মসিদা চাউরবা থৌদাং মখা তানা লৌদুনা লাক্লি অমসুং হেন্না কনবা থৌদাং অদু লৌখিগনি। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা লন্নাই শেঞ্জাও পায়বশিং য়োকখৎপা নিও লিবরেল ইকনমিক পোলিসী মখা তানা চৎনহল্লকপদগী চহী লিশাং শিংনা থেংনবদগী ৱানা ফংখিবা শিন্নীশিংগী মমল নাইদ্রবা রাইটশিং মৎননবা অনৌবা লেবর লো কয়া চৎনহল্লক্লি। লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং মায়পুনরিবা শিন্নীশিংবু কোর্পোরেট মপু খরগী অহেনবা শেন্দোং তানহন্ননবা মীংদা ‘ইজ ওফ দুইং’ হায়বা পোলিসীগী মখাদা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৎনরিবা নোংমদা পুং ৮ থবক শুবগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা শিন্নীশিংবু অৰেবা মীনাইগুম্না শীজিন্নদুনা নোংমদা পুং ১০-১২ থবক শুহনবগী চৎনবী হৌদোরক্লি। মসিদসু নত্তনা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বদা চাউনা মতেং পাংলিবা লন্নাই কোর্পোরেট মপু কয়াদা তোল্লিবা বেঙ্ক লোনশিং খোমগৎনবা হোৎনদনা লোন কোকহনবা অমসুং মখোয়গী পীফম থোকপা ইনকম টেক্সকী চাং লেপ্তুনা হন্থহনবগী লৈবাক্কী শোকচিল্লক্লবা শেন্মীৎলোন হান্নদগী শোকচিল্লকপা মরম্না মীয়ামদগী ইনদাইরেক্ট টেক্স ওইনা পেট্রোল, দিজল অমদি এল পি জিগী মমল তোয়না হেনগৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবা মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি, এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী সেক্রেটরি কে ঐচ ব্রোজেন, সোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্ট ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস ইবোমচা, ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস মংলেম অমসুং ইনিদয়ন এসোসিএসন ওফ লোইজ মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ শামুঙৌনা শিন্নীশিংনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অমদি মখোয়গী রাইটশিং অসি ফংননবা হোৎনবদা অপূনবগী থৌদাং লৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম থমখি। লোয়ননা লৌমী-শিন্নীশিংবু শিংনবা লৈঙাক অসিগী ইকনমিক পোলিসী হন্দোকহন্ননবা অমদি শিন্নীশিংগী মৎখ্রবা মমল নাইদ্রবা রাইটশিং অমুক হন্না ফংননবা শিন্নীশিংগী রাইট কনবা নুমীৎ অসিদা পুন্না থেংনমিন্নবগী ৱাশক অদু ষ্টেট অসিগী শিন্নীশিংনা লৌমিন্নরসি হায়নসু ৱাঙাংলোয়শিং অদুনা ফোঙদোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

‘প্রাইভেট রিহেব্লিটেসন সেন্টর খরনা নমদুনা দ্রগ চাদবা মীওইশিংবু ফা-পুল্লিবসিদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট রিহেব্লিটেসন সেন্টরশিংনা ট্রিটমেন্টগী মীংদা শেন্দান লম্বী ওন্থোরকপা অসি মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিয়ু হায়না ঙসি দ্রগ য়ূজর ফেন্দরেসন ফোর হ্যুমেন রাইট জষ্টিসনা শিন্দুনা কৈশামপাৎ হোদাম লৈরক্তা লৈবা কোনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন)গী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তা রাজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক য়াম্না তোয়না ট্রিটমেন্টগী মীংদা প্রাইভেট রিহেব্লিটেসন সেন্টর কয়া হাংদুনা শেল তান্নবগীদমক লম্বীদা চৎপা দ্রগ চাদবা মী ফাওবা ফারগা রিহেব্লিটেসন সেন্টরদা থমজিন্দুনা পেরেন্টশিংদগী শেল লৌনবা হোৎনবা অমদি মেন্টেল ট্রোচর তৌরে।

থৌওং অসি মখা তানা থোক্তনবা হায়দুনা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ফাওবা চে থাখিবা লৈখ্রে। মদুগী মহয় ওইনা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা থৌদোক থোক্লকপদা খুদক্তা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। সোসল ৰেলফ্যের দিপার্টমেন্টনসু ইন্দিভিজ্যুএলি অমদি ফেমিলিগী ৱা তাদনা লম্বীদগী ফাবা থোক্লবদি ফারিবশিংগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রবনি। অদুবু লম্বীদগী প্রাইভেট রিহেব্লিটেসন সেন্টরশিংনা ফাদুনা সেন্টরদা থমজিনবগী থৌদোক অদুমক লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মতাংদা কয়ারক হন্না তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা কমপ্লেন্ট কয়া তৌরবসু থৌ-ৱা শাদবগী থৌওং অসি দ্রগ য়ূজর ফেদরেসন ফোর হ্যুমেন রাইট জষ্টিসনা পেন্দবা পোকই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা সী এমনসু মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়খি।

‘মথৌ তাবা খূদিং মতেং পাংগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা নবেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দদা মণিপুর লৈঙাক্লা গো টু ভিলেজ ২.০ মিসন পাঙথোক্লনবা থৌরাংলিবা অসি পিপলস ফোরম মোইজিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মথৌ তাবা খূদিং মতেং পাংগনি হায়না পিপলস ফোরম মোইজিংগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সিপ সেক্রেটরি মুষ্টাক অহমদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি খূদিংমক্কী মীয়াম্না লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী কান্নবা হকথেংননা ফংহন্ননবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না ইশা-ইশাগী মথৌ তাবশিং অদু ওথোরিটিশিংগা তান্নদুনা কান্নবা লৌমিন্নহৌসি হায়না পিপলস ফোরম মোইজিংগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি।

দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা গো টু ভিলেজ ২.০ মিসন পাঙথোক্তদৌরিবা অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মোইজিং ভিলেজদগী হৌদোকপীগনি হায়না মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্লিবা অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি লৈঙাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অসি মপুং ফানা লৌহৌননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু পিপলস ফোরম মোইজিংগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সিপ সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন্না ৱাই লক্ষ্মনবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): গ্লোবেল হ্যুমেন পিছ য়ুনিভর্সিটি পোন্দিচেরিনা হৌখিবা ওক্টোবর ২৩দা পাঙথোকখিবা কনভোকেসনগী থৌরমদা ওনরেরি ডোক্টরেট দিগ্রী ওফ হ্যুমেনিটিজ পীরকখ্রবা মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়ুন্নাম লক্ষ্মনবু ঙসি এসোসিএসন অসিনা তরাম্না ওকখ্রে হায়না মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা)গী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে উর্মিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাই লক্ষ্মন লাইব্রেরী মুভমেন্টতা থৱায় য়াওবদা নত্তনা খুন্নাইগী ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌবগীদমক শকখঙবীবা ওইনা দিগ্রী অসি পীরকখিবনি। হৌখিবা চহী ১০ অসিদা মহাক্না য়ুথ প্রোগ্রাম ১৬৭০ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী নহা কয়ামরুমবু কান্নবা ফংহনখি। লক্ষ্মন কুমজা ২০১৩দসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট নেসনল এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রবা মীশক অমনি।

বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মালাগী প্রসিদেন্ট কে চাওবা, মালাগী এক্স-প্রসিদেন্ট এল সবিতা, রিটায়র্দ লেকচরর আর কে দেবরিতা, ঐচ রাজেন্দ্রো, ৱাই টিকেন, আর কে উর্মিলা অমসুং এস থোইবনা হরাও তয়াম্বগী ৱারোল ফোঙদোকখি হায়রি।

পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন থম্বীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা ব্রেক বেরিয়র্স, ইম্পৱার্দ দিসএবিলিটিজ হায়বা থীমদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা চথরকপা ১৪শুবা ফোর্টনাইট বেরিয়র ফ্রী কেম্প্যেন ২০২১ ঙৰাং লোইশিনখ্রে।

সগোলবন্দ তেরা পুখ্রিমপালদা লৈবা হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা ফোর্টনাইট বেরিয়র ফ্রী কেম্প্যেন ২০২১ লোইশিনবগী থৌরমদুদা এম আর দল্লিয়ু, ষ্টেট কম্মিসন ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এল অমরেন্দ্র শর্ম্মা অমসুং পেরেন্টস গার্দিয়ান্স কাউন্সীল ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংজম শরতনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. লাইশ্রম বিনানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০৮দগী হৌরগা বেরিয়র ফ্রী কেম্প্যেন অসি হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসন্না ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা অদুদি দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংনা খুন্নাই অসিদা থেংনরিবা অৰাবা কয়া অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্ননবা হোৎনবনি। দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংবু হন্থনা য়েংবীবগী মহুৎতা অমত্তা ওইনা খুৎ পায়রগা চৎমিন্নবা অমদি পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন থম্বীয়ু। লৈঙাক্লসু দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগী য়াইফননবা থৌরাং থৌশিলশিং মপুং ফানা লৌখৎপীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা খূদিংমক পুন্না থেংনবা অমুক হন্না ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীন্দুনা ৱান দে দিসকোর্স ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি হায়বা হীরমদা মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মৈপা বঙ্কেট হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা খূদিংমক পুন্না থেংননবা অমুক হন্না ৱারেপ লৌখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর থাদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক চৎখিবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, থবক্তগী পোত্থারবা এম য়ুগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এন জয়কুমার, এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র এসোসিএট প্রোফেসর চিংলেন মৈস্নাম, জি পি ৱিমেন কোলেজগী পোলিটিকেল সাইন্সকী এসোসিএট প্রোফেসর কোন্থৌজম ইন্দ্রকুমার অমদি দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. নোনি অরাম্বমনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, মোদরেটর অমদি রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর থাদা ইম্ফালদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুং খুমন লম্পাক্কী হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা খূদিংমক পুন্না থেংননবা লৌখিবা ৱারেপ অদু অমুক হন্না চেৎশিনহনখি।

মীফম অদুদা ইপসাগী এদভাইজর ইবোতোম্বী খুমন, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, নিপকোগী প্রসিদেন্ট মনিহার, সী সী এস কেগী জেনরেল সেক্রেটরি জিতেন্দ্র নিঙোম্বসু ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্ববু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঈকায়খুম্নবীদ্রবদি অমদি থওইবীদ্রবদি মণিপুর মীয়াম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবগীদমক অরোইবা ৱাখৈ লৌরকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা পান্দমদা কিমাক্সকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা পাঙথোক্লিবা থাঙ-তা নুমীৎ থাবুমগা মরী লৈননা ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন, তাংখমনা শীন্দুনা ঙসি ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেনদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এল সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা এন আই এস এ হৈঙাংগী শিন্তাক পুরেল এন ইবোহল, কিমাক্সকী এদভাইজর মাইবম সুর্যবোরো, থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কো-কনভেনের এল বিক্কি শর্ম্মা, পুমাক শীংজমৈগী খানাচাওবা দিপক, য়ু ঐচ এল এ শামুরৌগী এস ইবোহল অমসুং ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসনগী শিন্তাক পুরেল নামৈরাকপম জিবন মঙাংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নোংপোক নিংথৌ থাঙ-তা শিন্দম শঙলেন কিমাক্স কুম্বী ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু কুম্বী লৈবুংমখোঙ মান্দপতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নোংপোক নিংথৌ থাঙ-তা শিন্দম শঙলেন কিমাক্স কুম্বী ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম মনি, সনা কোনুংগী লানচিংপুরেল অথোকপম ওজেন্দ্রো, কিমাক্সকী এদভাইজর এল ধমেলদ্রো অমসুং কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট এন অজিৎকুমার মঙাংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

এদ্যুকেসন অমসুং ইরিগেসনগী লমদা চাউখৎহন্ননবা হোৎনবীরম্লবদি মীখল থেংনরম্লোই : কে ঐচ জিবন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): ৱাংখেম এ সীগী এম এল এনা এদ্যুকেসন অমদি ইরিগেসনগী লমদা চাউখৎহন্ননবা হোৎনবীরম্লবদি মীখল থেংনরম্লোই হায়না ৱাংখেম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱার্কর খারিবম জিবনন্না ফোঙদোরক্লি।

BHARATIYA JANATA PARTY
32-Wangkhem Mandal
Appreciation Function cum Public Meeting
of
Shri Kharibam Jiban Singh
BJP Intending Candidate 32-Wangkhem Mandal
On 31st October 2021, Sunday
Venue: Thoubal Kiyam Wangma taba Lampak
Organised by: Polling Committee 32/5, 6, 8, Thoubal Kiyam

বুথ লেভেল কম্মিটি ৩২/৫, ৩২/৬ অমসুং ৩২/৮ থৌবাল কিয়ামনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল কিয়াম চৈথাবম লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা এপ্রিসিএসন ফঙ্কসন কম পব্লিক অমদা মথক্কী ৱাফম অসি খারিবম জিবনন্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লমদম অমা চাউখৎপা পুরকপা হায়বসি এদ্যুকেসনগী লমদা চাউখৎলবা মতমদতা ওইথোক্কদৌরিবনি। অদুবু ৱাংখেম এ সীদা লৈঙাক্কী হায়র সেকেন্দরি অমা ফাওবা লৈতবা হায়বসি য়াম্না লাইৎকথীবনি। য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা চহী ৪০ রোম এম এল এ লৈরক্লে। অদুবু জিরো কিলোমিটরদা লৈরিবা য়াইরিপোক হায় স্কুল অসি ফাওবা হায়র সেকেন্দরিদা অপগ্রেদ তৌবীদনা লৈরি। এ সী অসিদা এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফেল ওইবনা মরম ওইরগা অঙাংশিং লন্নাই স্কুলশিংদা শেল চাউনা পুথোক্তুনা মহে তম্বা থাবদগী লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাক্লি।

মসিদসু নত্তনা ৱাংখেম এ সীদা ইরিগেসনগী লমদসু ফেল ওইরে। মপান লমদা অন্দরগ্রাউন্দ ৱাটর শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউ তৌরিবা অসিগুম্না লমদম অসিদসু তৌবা মথৌ তাই। অদুবু ঙসি ফাওবা এ সী অসিগী মীহুৎনা তৌবীদবদগী লৌউ-শিংউ তৌবদা ঈকং থোক্তুনা অৰাবা কয়া লৌমীশিংনা মায়োক্লরি। মরম অসিনা লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা মহাকপু এম এল এ ওইহনবীরবদি এ সী অসিদা চহী অমদা অহুম্লক লৌ পানবা য়াননবা ইরিগেসন সিষ্টেম শেমগৎতুনা চাউখৎহনগে হায়নসু জিবনন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্লা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মীওইবা অমনা হিংবদা ওক্সিজেন চঙই, অসিগুম্বা ওক্সিজেন অসি ঐখোয়না উ পাম্বীশিং অমসুং ঐখোয়না হোন্দোরকপা কার্বোনদাইওক্সাইদ অমুক চুপশিনখি। মরম অদুনা ঐখোয়না অঙাং অমা পোকপা খূদিংগী উ পাম্বী অমা থাবীয়ু। করিগুম্বা অঙাং অমা পোকপগী বার্থ রেজিষ্ট্রেসন তৌগে হায়রবদি উ পাম্বী অমা থাখ্রে হায়বগী শকখঙ চেরোল অমা চঙহনবনা উ পাম্বী থাবগী চাং হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সূক) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম প্রেমকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা উ পাম্বী থাবগী ঈহৌ অমা শাগৎপা ঙম্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনবগী মতম ওইরে। মীয়াম পুম্বনা উ পাম্বীশিং পাক শন্না থান্নরক্লবা লৈঙাক্লা থবক থৌরমশিং লৌখৎপগী মথৌ তারক্লে। মদু নৎত্রবদি কংলৈপাক অসি লৈকংলা ওইরপসু য়ারি। ইরৈপাক ইরমদম কংলৈপাক মণিপুরদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা পাক শন্না উ পাম্বী থাবগী খোঙজং অমা ওইনা লন্নাই মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী থৌদোক ৱাথোকশিং খুদম ওইনা লুহোংবা, বার্থ দেনচিংবদা উ পাম্বী থাবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি অসুক্কী মতিক থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু থাখিবা উ পাম্বীশিং হিংহনবগী চাংদি অসুক্কী মতিক নেল্লি।

উমং কন্ননবা অমদি লম্লক্কী শা-উচেক ঙাক্তুনা থম্ননবা লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌবীয়ু অমদি উমং য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্লসু মতম পুম্বদা উমং কন্ননবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌজগনি অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা লৈবাক মীয়াম পুম্বনা শৌগৎপীয়ু অমদি শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা ঐখোয়গী ইরমদম অসিবু উমং-ৱামং মরাং কায়না লৈবা লমদম অমা ওইহন্দুনা কংলৈপাক অসি পুংশং শংহল্লসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।